**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ফিস ফিয়ার কম ফিস ক্রোপ কন্পিতিসনগী ফল লাউথোক্লে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলানা খ্বাইদগী ঙা য়ামা পুথোকপা জিলা ওইরে।

২) ফিসরিজ দাইরেক্তর হৈস্নাম বালকৃষ্ণনা হায়রি- মমাংদা পাঙথোকখিবা ঙাগী মেলাদগী কুমশিনা ঙা হেন্না পুথোক্লে, মথং চহিদা হেন্না পুথোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

৩) সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- সরকার অসিনা রাজ্য অসিগী মনুং হুঞ্জিনবা মফম কয়া চাওখৎহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

৪) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- সিভিল এভিএসন সেক্তরগী ওপরেসনেল অমসুং টেকিকেলগী লমশিংদা নুপীশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

অমসুং

৫) আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি মীখল হয়েং পাঙথোক্লগনি। মীখল অসিদা রিপাব্লিকান মীরেপ দোনাল্ড ত্রম্পকা দেমোক্রেট লুচিংবী কমালা হেরিসকা অকনবা লম্বা তৌনরি।

------

ঙা (এল)ঃ নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা ৪৫ রক শুবা ফিস ফিয়ার কম ফিস ক্রোপ কম্পিতিসনগী ফল লাউথোক্লে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লফুপাৎ তেরাদগী শলাম লোকেন্দ্রো সিংহনা ঙা কিলোগ্রাম লিশিং ৪৩,৭৬৫ পুথোক্তুনা ঙা খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপদা অহানবা মনা ফংলে। বিষ্ণুপুর জিলাগী খোরদাক্তগী নিংথৌজম বসন্ত সিংহনা ঙা কিলোগ্রাম লিশিং ১৭,৪৬২ পুথোক্তুনা অনিসুবা অমসুং থৌবাল জিলাগী তেন্থাদগী লাইমুজম দিনামনিনা ঙা কিলোগ্রাম লিশিং ১৭,৩৬৬ পুথোক্তুনা অহুমসুবা মনা ফংলে।

মণিপুরদা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা য়েলহৌ ঙা কিলোগ্রাম লিশিং ৯,৭৩৫ পুথোকপগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লফুপাৎ তেরাদগী শলাম লোকেন্দ্রো সিংহনা অহানবা মনা ফংলে। মসিগী মথক্তা মীওই ২০ দা কন্সোলেসন প্রাইজ পীখি। তম্পাক্কী জিলাগী ওইনা খ্বাইদগী ঙা য়ামা পুথোকখিবা অসি দি.এফ.ও ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলানা ওইরে। জিলা অসিনা পুন্না ঙা কিলোগ্রাম লিশিং ৪৭,৫৪৫ পুথোকখি। চীংগী জিলাদা ঙা কিলোগ্রাম লিশিং ২,৭৭০ পুথোক্তুনা দি.এফ.ও চান্দেলনা অহানবা ওইরে।

অকাশবানি ইম্ফালগা ৱারী শান্নবদা রাজ্যগী ফিসরি বিভাগকী দিরেক্তর হৈস্নাম বালকৃষ্ণ সিংহনা হায়- কুমশি চহিগী ওইনা ঙা কিলোগ্রাম লাখ ১ লিশিং ৫০ পুথোকবা পান্দম থম্বদা ঙা কিলোগ্রাম লাখ ১ লিশিং ৫৬ হেন্না পুথোকখিবা অসি রাজ্য অসিগী ওইনদি মায় পাকপা অমনি।

মহাকা হায়- মমাংদা পাঙথোকখিবা ঙাগী মেলাদা ঙা কিলোগ্রাম লাখ ১ লিশিং ২৭ পুথোকখিবা অদুদগী হন্দকা ঙা কিলোগ্রাম লিশিং ২৯ হেন্না পুথোক্লিবা অসি ঙামীশিং অমদি ফিসরিজ বিভাগকী অচৌবা মায় পাকপা অমনি। শ্রী বালকৃষ্ণনা হায়- ঙাদা মীপাল তাংদনবা রাজ্য সরকারনা ঙাগী পোত্থোক হেনগৎনবা প্রধান মন্ত্রি মৎসিয়া সমপর্দা য়োজনাগী মখাদা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

চাক্কৌবা (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামনা শিন্দুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অমা বিদ্যানাগর মল্টিপরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ইন্দোর হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈবা মীওই ৪৩৬ শরুক য়াখি। নিংঙোল চাক্কৌবা অদুগী মতাংদা এস.দি.সি বোরেবেক্রা এম. দেবান্না হায়- রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইনমেটশিংদা ৱান টাইম এসিষ্টেন্স ওইনা লুপা লিশিং অমমম খুৎশিন্নখি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপলনা শিন্দুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম ৱাথা কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙরাং পাঙথোকখি। ৱাথা অমসুং ৱাথা খুনৌগী নিংঙোলশিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা এস.দি.ও মোরে শ্রী ইজাজ হাসন্না হায়- ৱাথাগী মীওইশিং য়াইফনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি। তুংদা, নিংঙোল ওইবীশিংদা খুদোলপোৎ পীখি।

কৈরক য়ুনাইতেদ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন, কৈরকনা শিন্দুনা কৈরক সনাতোম্বী হাইস্কুলদা লৈরিবা ইনমেটশিং চাক্কৌবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কৈরক ৱাবগাই জিলা পরিষদ অমসুং কৈরক গ্রাম পঞ্চায়টনা শিন্দুনা পাঙথোকপা চাক্কৌবগী থৌরম অদুদা ইনমেট অসিদা লৈরিবা নুপীশিংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকায় খুমখি।

সস্পেন্দ(এল)ঃ থা অসিগী ২ দা জিরিবামদা মথৌ তৌরিবা মণিপ্ৰ পুলিস সব-ইন্সপেক্তর অমবু নোংমৈ কাপ্পুনা হাৎখিবদা চেন্নবা রাইফলমেন অকোইজম বিক্রম সিংহ খুদক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। এস.পি. জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না অকোইজম বিক্রম মহাক্কী মথক্তা ইনক্কারি চংখরিঙৈ মতমদা হেদক্কাটর থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই হায়রি।

মুরমু (এল)ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা য়াইরিপোক্কী মহেরোইশিংগা ঙসি রাষ্ট্রপতি ভবনদা উন্নাখ্রে। নেসনেল ইন্তিগ্রেসন টুরগী খোঙচৎকী শরুক অমা

ওইনা মহৈরোইশিং অসিনা ঙসি রাষ্ট্রপতি ভবনদা চত্তুনা রাষ্ট্রপতিগা উন্নখিবনি। খোঙচৎ অদু রাষ্ট্রিয়া এক্তা য়াত্রাগী শরুক অমনি। মসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মহৈরোইশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবা গ্যান তাহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা খোঙচৎনি।

রেদিও (এল)ঃ  অকাশবানি ইম্ফালগী কেজ্‌য়েল জেনেরেল এন্নাউন্সর, মণিপুরী লৌবগী ওদিসনগী ফল লাউথোক্লে। মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ৭ ফাওবদা ওফর লৌরদ্রবদি মখা তানা মখোয়দা খুদোংচাবা পীরোই। নুমিৎ অসিমক্কী পুং ১ দা ওফর লৌরবা কেন্দিদেটশিংগী ওরিয়েন্টেসন এক্সরসাইজ পাঙথোক্কনি হায়না অকাশবানি ইম্ফাল হেদ ওফ প্রোগ্রাম হৈগ্রুজম দেবেন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

দিঙ্গো (এল)ঃ  সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- ইশা ইশাগী লৈকাই অমদি ইমুং মনং চাওখৎহল্লবা মতমদতা মণিপুর হেন্না চাওখৎপা রাজ্য অমা ওইহনবা ঙমগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুরখুল লমখায়দা ঙসি কম্যুনিতি হোল অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিনা রাজ্য অসিগী মনুং হুঞ্জিনবা মফম কয়া চাওখৎহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মহাকা হায়- চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা দল দলগী খেন্নবা থমদনা পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। মন্ত্রিনা হায়- চাওখৎ থৌরাংগী থবক হায়বসি সরকার খক্তগী নত্তে, মসিদি মফম অদুদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কীনি। শ্রী দিঙ্গোনা হায়- মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিং পুন্না খন্নমিন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মঙম শান্না পাঙথোকবা হোৎনমিন্নরশি।

এগ্রিকলচর (এল)ঃ  মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা খারিফ লৌরোক থাবা ঙমখিদবা লৌমীশিংদা ওনলাইনগী খুত্থাংদা এপ্লিকেসন ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি। রাজ্যগী এগ্রিকলচর দাইরেক্তোরেটনা থোকপা

চেরোল অমনা হায়- ফোর্ম পীশিল্লকপগী মতম থা অসিগী ১০ গী নুংথিল পুং মঙা ফাওবা শাংদোক্লে।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ৱাৎলিবা ওজাশিং সরকারনা থাবীরকপগীদমক জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি। চেরোল অমদা য়ুনিয়ন অসিনা হায়- ছো লোনশিন্দুনা থম্লকপা স্কুল হয়েংদগী হাংলগনি অমদি ওজাশিংনা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা স্কুল অসিদা জোইন্ট তৌরদ্রবদি মখা তাবা খোঙজং চংশিনগনি হায়রি।

বেঙ্গলোর (এল)ঃ মণিপুরী দাইসপোরা বেঙ্গলুরুনা শ্রী রাজেশ এ.এম.আই.এফ.এসপু লাইজন ওফিসার ওইনা হাপ্লকপদা বেঙ্গলোরদা মীয়ামা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি। চেরোল অমদা দাইসপোরা অসিনা হায়- লাইজন ওফিসার হাপ্লকপা অসিনা বেঙ্গলোরদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা তঙাইফদবা লাকপা মতমদা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

ফিলম (এল)ঃ থা অসিগী ২০ দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৫৫ শুবা ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়াগী বেষ্ট দেবিউ দিরেক্তর ওফ ইন্দিয়ান ফিচর ফিলম কেটগোরিদা মণিপ্রগী লক্সমিপ্রিয়া দেবীগী ফিলম- 'বুং' নোমিনেট তৌরে। পুন্না দিরেক্তর ৫ নোমিনেট তৌবগী মরক্তা লক্সমিপ্রিয়া দেবী য়াওরকপনি। বেষ্ট দেবিউ দিরেক্তরগী ৱিন্নর ফিলম ফেষ্টিভেল অসিগী অরোইবা নুমিৎতা গোৱাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লাউথোক্কনি।

এমপিএসসি (এল)ঃ মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (এম.পি.এস.সি)না লৌবা মণিপুর সিভিল সার্ভিস একজামিনেসন ২০২২ গী মেইন্স পরিক্ষাগী মতম য়ৈথোকখ্রে। এম.পি.এস.সিগী কন্ত্রোল্লর ওফ একজামিনেসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়- থা অসিগী ১৭ তগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা

পরিক্ষা অসি খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী য়েথোকখিবনি। অনৌবা মতম কম্মিসন্না কোন্না লেপকনি হায়রি।

থাং তা (এল)ঃ হুইয়েন লাল্লোং থা-তা এসোসিয়েসন মণিপুর লিংখৎখিবা ৯১ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী যুমাম হুইদ্রোমদা লৈবা থাং-তা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু কলচর, স্পোর্টস, তুরিজম অমসুং ইদুকেসন হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোকখি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- সিভিল এভিএসন সেক্তরগী ওপরেসনেল অমসুং টেকিকেলগী লমশিংদা নুপীশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

দ প্রসিদেন্ট ৱিথ দ পিপল হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা ঙসি রাষ্ট্রপতি ভবনদা ভারতকী এভিএসন সেক্তরদা মায় পাক্লবা নুপী কাংবু অমগা উন্নবদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- ইয়ার ত্রাফিক কন্ত্রোল্লরদা থবক তৌরিবশিংগী মনুংদা চাদা ১৫ দি নুপীশিংনি। মসিগী মথক্তা চাদা ১১ ফ্লাইট থাদোক থাজিন তৌবদা অমসুং চাদা ৯ না নুপী এরো স্পেচ ইঞ্জিনিয়রনি। রাষ্ট্রপতিনা হায়- মমাং চহিদা কম্মর্সিয়েল লাইসেন্স ফংখ্রবা পাইলোতশিংগী মনুংদা চাদা ১৮ দি নুপীনি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংনা সিভিল এভিএসনগী লমদা নুপীশিংবু হেন্না চাওখৎনবা থৌনা পীরি।

মোদি ঃ বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঝারখন্দগী হেমন্ট সোরেন্না লুচিংবা সরকারনা মহাক্কী চহি ৫ থবক পুবগী মতমদা রাজ্য অদুগী মীয়াম্বু নমথাক তৌবীরে হায়না মরাল শিরি। গরৱাদা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- জে.এম.এম, কংগ্রেস অমসুং আর.জে.দিনা অরানবা ৱাশক কয়া শকখি। মহাকা হায়- বি.জে.পিনা মীখল অসিদা শরুক য়ারিবা অসি মরুওইনা ঝারখন্দদা ঙাকশেল, মরা চেৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পীনবগীদমক্তনি। মহাকা হায়- কেন্দ্র সরকারনা অদিবাসিশিংবু শক্তি পীনবা থবক কয়া পায়খৎলি। অদুবু হেমন্ট সোরেন্না লুচিংবা সরকারনা

মখোয়বু ইকায়বা নংহল্লে। শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক পুম্বনা মাঙলোমদা চংশিনদুনা ভারত অসি বিক্সিত ভারত ওইহন্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা ঝারখন্দদা মাখল অসি পাঙথোকপনি।

আমেরিকা ঃ আমেরিকাদা লৈবাক অদুগী ৪৭ শুবা রাষ্ট্রপতি খন্নবা মীখল হয়েং পাঙথোক্লগনি। মীখল অসিদা রিপাব্লিকান মীরেপ দোনাল্ড ত্রম্পকা দেমোক্রেট লুচিংবী কমালা হেরিসকা অকনবা লম্বা তৌনরি। হন্দক্কী মীখল অসি চহি কয়াগী মতুংদা খ্বাইদগা কৃক কৃক ইন্ননা লম্বা থেংনবা মীখল ওইগদৌরি। মীখল অসিদা মায় পাকবগীদমক মীরেপ অমনা ইলেক্তোরেল কলেজগী ভোৎ ২৭০ ফংবা তঙাইফদে।

খ্বাইদগী নৌবা ওপিনিয়ন পোলগী মতুংইন্না মীখল অসিগী ওইরক্কদবা ফিভম এরিজোনা, নেভেদা, ৱিসকোন্সিন, মিচিগন, পেন্সিলভেনিয়া, নোর্থ কেরোলিনা অমসুং জিওরজিয়ানা মরাইবক লেপকনি। রিপাব্লিকানগী মীরেপ অমসুং হান্নগী রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা কিন্সটন অমসুং নোর্থ কেরোলিনাদা মীখলগী মীতিন পাঙথোক্কুনা মহাক্কী লম্বাবু হুনদুনা ঙাংখি। দেমোক্রেটকী মীরেপ অমসুং উপ-রাষ্ট্রপতি কমালা হেরিসনা মীখলদা মায় পাক্লবদি গাজাদা চত্থরিবা লান লোইশিনদুনা হোষ্টেজশিং য়ুমদা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা পীখি।

উত্তরাখন্দ ঃ উত্তরাখন্দগী অলমোরাদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা বস অমা লোকখাদা তাশিনখিবগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মশিং ৩৬ শুরে, অতৈ ১৫ না শোক্লে। লাইবক থিবা থৌদোক অদু বস অদুনা মী ৫১ পুরগা গৌলিখলদগী রামনাগর তমা লাকপগী লম্বীদা থোকখিবনি। এস.দি.আর.এফ, এন.দি.আর.এফ, পুলিস অমসুং মফম অদুগী ওথোরিতিশিংনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চত্থখি।

থৌদোক অদুদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ মোদি অমসুং রাজ্য অদুগী মুখ্য মন্ত্রি পুস্কার সিংহ ধামিনা অৱাবা ফোংদোকখি। প্রধান মন্ত্রিনা প্রাইম মিনিষ্টরস নেসনেল রিলিফ ফন্দদগী লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুং

নত্রগা মরী মতাশিংদা লুপা লাখ ২-২ অমসুং অশোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি পুস্কার সিংহ ধামিনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংদা লুপা লাখ ৪-৪ অমসুং অশোকপশিংদা লুপা লাখ অমমম তেংবাং পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কুমাউন দিভিজনগী কম্মিসনারদা থিজিন্নবা খঙহনখ্রে অমদি পৌরি অমসুং অলমোরাগী এ.আর.টি.ও থবক্তুগী সস্পেন্দ তৌনবা খঙহনখ্রে।

ইন্দোনেসিয়া ঃ ইন্দোনেসিয়াদা মৈগী চীং পোকখায়রকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিরে। থৌদোক অদু লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা মাউন্ট লিওতোবী লাকি-লাকি পোকখায়রকপদগী থোকখিবনি। চীংশাং অসি লৈবাক অদ্‌গী ফ্লোরেস ঈথৎকী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবনি। মৈগী চীং পোকখায়রকপা অদুনা চীং অদুগী অকোইবদা লৈবা মফমশিংদা উৎ অমসুং লাভা চেন্থ্রক্তুনা য়ুম কয়া মৈ চাক্তুনা মাং তাকহনখি। মৈগী চীং অদু ঙরাং নুমিদাং পোকখায়রকপনি। মদুগী মতুং তারকপদা মফম অদুদা য়ুহার হাবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ --

হোক্কি ঃ চেন্নাইগী মেয়র রাধা কৃষ্ণন হোক্কি ষ্টেদিয়মদা ঙসি হৌদোকখিবা ১৪ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সেনিয়র মেন্স নেসনেল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ কী গ্রুপ-ঐচকী মেটচ অমদা মণিপুর হোক্কিনা বিহার হোক্কিবু পাঞ্জল ১৯-১ থোইখ্রে। মণিপুরগী মোইরাংথেম রবিচন্দ্রনা মেন ওফ দ মেটচ তাখি।

মণিপুরগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৯ দা হোক্কি বেঙ্গলগা শান্নগনি।

ক্রিকেট ঃ ৫ শুবা এম.এন.সি.এ অন্দর সিক্সতিন বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ ত্রোফি ২০২৪-২৫ ক্রিকটে টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ত্রাউ ক্লাকেথেলনা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্টি থ্রিবু রন ৯৪ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোনপ্পা মেটচশিংদা সেদো থাংমৈবন্দনা এম.পি.এ

থৌনাউজমবু ৱিকেট ২ দা অমসুং পি.দি.আর.সি পাৎসোই পার্ট ফোরনা এস.সি.সি.সি শিংজমৈবু রন ২৬৭ দা মায়থিবা পীখি।

বেদমিন্টন ঃহাইদ্রবাদতা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা হাইদ্রবাদ ইন্দিয়া ইন্তরনেসনেল চেলেঞ্জ বেদমিন্টন ২০২৪ দা মালেমগী ৬৫ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা মৈরাবা লুৱাংগা পি. সহজ কুমারগা অহানবা রাউন্দদা থেংনরগনি।

রেষ্টলিং ঃ স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (সাই) নেসনেল সেন্তর ওফ এক্সেলেন্স লখনৌনা যুন্থু ওইদুনা চহি ১৭ অমদি চহি ২০ গী মখাগী নুপা অমদি নুপীমচাগী ইন্তর সাই রেষ্টলিং তুরনামেন্টতা শরুক য়ারুনবা সাই নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্তর ইম্ফালগী ওফিসিয়েল অহুম অমসুং শান্নরোই ২০ ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। তুরনামেন্ট অসি হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ৭ ফাওবা চথগনি।

ফুটবোল ঃ নোর্থ কোরিয়ানা ফিফা অন্দর সভেন্তিন ৱিমেন্স ৱার্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইরে। দোমিনিকান রিপাব্লিকনা যুন্থু ওইদুনা চথরকপা তুরনামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা ইদিসন অনিগী চেম্পিয়ন স্পেনবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৪-৩ মায়থিবা পীখিবনি।

ফুটবোল ঃ নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিনা যুন্থু ওইদুনা চথরিবা নুপীগী ইষ্ট জোন ইন্তর য়ুনিভর্সিতি ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী মেটচশিংদা এল.এন. মিথিলা য়ুনিভর্সিতিনা ত্রিপুরা য়ুনিভর্সিতিবু পাঞ্জল ১-০ দা,অদমাস য়ুনিভর্সিতিনা রাঞ্চি য়ুনিভর্সিতিবু পাঞ্জল ৫-০ দা, য়ুনিভর্সিতি ওফ কলকাতানা বিদ্যাসাগর য়ুনিভর্সিতিবু পাঞ্জল ১-০ দা, সম্বলপুর য়ুনিভর্সিতিনা বুরধমান য়ুনিভর্সিতিবু পাঞ্জল ৩-১ দা অমদি এল.এন. মিথিলায় য়ুনিভর্সিতিনা বুরধৱান য়ুনিভর্সিতিবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

------